# ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লরিবা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :
লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লবগুম থৌবালদসু ১৩শুবা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরগী থৌ পুরিবা এ দি এম ব্রহ্মচারিময়ুম লোকেশ্বর শর্ম্মা, ৩১-থৌবাল এ সীগী ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসর অমসুং বি দি ও থৌবালগী থৌ পুরিবা ৱাই সের অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিষ্টেমিক ভোটর্স এদ্যুকেসিন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসন (এস ভি ঈ ঈ পি)গী নোদেল ওফিসরসু ওইরিবা এন ৱাই কে, থৌবালগী য়ুথ কোওর্দিনেটর মাইকেল মাতেনা মথংশিংনা থৌরমগী অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর/এ দি এ, থৌবাল বি লোকেশ্বরনা লুচিংদুনা নেসনল ভোটর্স দেগী ৱাশক লৌখি। লোয়ননা ৩১-থৌবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী নৌনা ভোটর চল্লক্লবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। ঙসিগী ১৩শুবা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম অসি থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসর ৬ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৯১দা বুথ লেভেল ওফিসরশিংনা শীন্দুনা মাগী মাগী ওফিসশিংদসু পাঙথোকখি।

নাকল অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা কাংপোকপী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সকী মল্টিপর্পজ হোলদা ১৩শুবা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ঈ আর ও ৫০-কাংপোকপীগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার কেঙু জুরিংলানা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার দেরিক এল খোবুং, এস দি ও সাইকুল বুংবা মাইবম অমদি দি এল ওশিং, এন ৱাই কে য়ুথ ভলন্টিয়রশিং অমসুং মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না মীয়ামদা ইলেক্টোরেলগী এৱ্যের্নেসসু পীখি। নথিং লাইক ভোটিং, আই ভোট ফোর সিয়োর হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম অদুদা অহানবা ওইনা নৌনা ভোটর লিষ্ট চল্লকখ্রবা মীওইশিংদা ইলেক্টোরেল ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ (ঈ পি আই সী)সু খুৎশিন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ইনখৎলক্লিবা নহা চহী ১৮ শুবশিংদা ভোটিং রাইট ফংহন্দুনা ইলেক্টোরেল রোলদা চনশিন্নবা হেন্না পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়টি রাজ কনফরেন্স হোলদা ১৩শুবা নেসনল ভোটর দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এ সী টু দি সী ইজাজ হাসন, জেদ ঈ ও জোন ফোর বিষ্ণুপুর এন চিংখৈ, সী এম ও বিষ্ণুপুর ডা. এল রাইচন্দ্র অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর কে জুগেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মশাগী চহী ১৮ শুরবা অহানবা ওইনা নৌনা ইলেক্টোরেল রোলদা মিং চল্লবা মীওইশিংদা ভোটর কার্দ অমদি খুদোলপোৎশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা মে ভারত হুং হায়বা ঈশৈসু লোঞ্চ তৌখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস সেনাপতিনা শীন্দুনা সেনাপতিগী দি আর দি এ কনফরেন্স হোলদা ১৩শুবা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর/দেপ্যুটি কম্মিস্নার সেনাপতি মহেশ চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবদা, চহী ১৮ শুরবা মীওইশিংদা ভোট থাদবগী এৱ্যের্নেস পীবা অমদি মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎনবগী পান্দমদা অসিগুম্বা থৌরমশিং অসি পাঙথোকপনি। নৌনা ইলেক্টোরেল রোল চল্লবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওইশিংনা ওফিসতা লাক্তুনা ঈ পি আই সী লৌরবা য়াগনি। ভোট তাদবা য়ারবা চহী ১৮ শুরবা মীওইশিংনা হৌনরুবা তৌদনা মমাং থোক্লা চোংথোকপীরক্তুনা ইলেক্টোরেল রোল চন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা দি এল ওশিং, য়ুথ ভলন্টিয়রশিং, মহৈরোয়শিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং সী এস ওশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা দি সী সেনাপতি মহেশ চৌধুরিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ভোটর আইদি কার্দ পায়রবা মীওইশিংনসু অশোয়-অঙাম শেমদোক্নিংবা য়াওরবসু দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসতা লাক্তুনা শেমদোকপীবা য়াগনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা পাঙথোক্লরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মনিমচা নীংশিং থৌরম নুংশিকোল পার্কতা পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :
মণিপুরদা নুপীনা অহানবা শোন্নপুঙ ময়াইদা চঙলগা ঈশৈ শক্তুনা থৌগল তৌরম্বা শক্লাইরবী শৈশকপী থোকচোম মনিমচা নীংশিং থৌরম ঙসি লন্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চনাগী নুংশিকোল পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা থোকচোম মনিমচা নীংশিং থৌরম অদুদা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট চনালেম্বীনা অথোইবা মীথুং অমদি মনিমচা নীংশিং কম্মিটিগী থৌবুরেল থোকচোম চন্দ্রনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবী শক্লাইরবী শৈশকপী থোকচোম মনিমচাগী মিতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মহাক্কী মমৌনুপী থোকচোম রাধানা অহল ওইরবী নুপীশিংদা নীংথম খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমসু হন্দক্কী ওইনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মখা তারকপদা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট চনালেম্বীনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবী শক্লাইরবী শৈশকপী থোকচোম মনিমচানা লমদম অসিদা করিগুম্বা পোল্লমদবা তারবদি ঙসি শোন্নপুঙদা নুপীশিংনা চঙদুনা ঈশৈ শক্লরিবা অসি শক্লমদবসু য়াই। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি মহাক্কী মতিক মগুনবু হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা তাক্লবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়খি।

## মীফম পাঙথোক্তুনা আশা ৱার্করশিং হেন্না ফজনা থবক তৌনবা ৱারেপ্লখ্রে : পুর্ণিমাসি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :
থা অসিগী হৌখিবা জন্যুৱারী ১৭তা ওল মণিপুর আশা ৱার্করস য়ুনিয়ন অমদি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী অপূনবা মীফম অমা অমুকোগী ওফিসতা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ময়াই তাংবল লৌদুনা হান্নগী চয়েৎনবশিং অদু লোইশিন্দুনা তুংদা আশা ৱার্করশিংগী থবক হেন্না ফজনা তৌনবা ৱারেপ্লখ্রে হায়না ওল মণিপুর এক্রিদিটেদ হেল্থ এক্টিভিষ্ট (আশা) ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট থিয়াম পুর্ণিমাসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীফম অদুদা ওল মণিপুর অশা ৱার্করস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট থিয়াম পুর্ণিমাসি, জেনরেল সেক্রেটরি অকোইজম থোইবী অমদি অশা ৱার্করশিংগী অতৈ লুচিংবী কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা লেবর দিপার্টমেন্টতা চৎলগা প্রমোটর লিষ্টতা য়াওদ্রিবী আশা ৱার্করশিংগী মিং অদু য়াওহন্নবা হোৎনবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক্তা লেবর দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা প্রমোটর্স লিষ্ট অদুদা হান্না মিং য়াওদ্রিবী মণিপুরগী অশা ৱার্করশিংনা অমদি প্রমোটর্স লিষ্ট অদুদা মিং হান্না য়াওরবশিংসু অমুক রিন্যু তৌনবগীদমক্তা ইশা-ইশাগী আধার কার্দ, পাসপোর্ট ফোটো, হেল্থ দিপার্টমেন্টনা পীবা আইদেন্টিটি কার্দ অদু চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৮দগী ফেব্রুৱারী ১০ ফাওবগী মনুংদা অখন্নবা থবক অসিগীদমক্তা মতম খরগী ওইনা অশাশিংগী পুনফম ওইরিবা ক্বাকৈথেল অখাম লৈবা অমুকোগী ওফিসতা লাকপীরগা অশা ৱার্করশিংগী মীহুৎ ওইনা লৈরিবশিং অদুদা অয়ুক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা শীন্নবীয়ু হায়রি।

আশাশিংগী মরক্তা মখা তানা চয়েৎনবা অমত্তা থোক্তনবগীদমক্তা কনাগুম্বা অমনা অশাশিংগা মরী লৈনবা থবক অমা পায়খৎপা অমদি মীটিংনচিংবা শীনবদা হান্না জন্যুৱারী ১৭তা অমুকোগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা খনখ্রবী আশা ৱার্করশিংগা তান্নরগা তৌবীয়ু হায়রি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইবুধৌ লোয়ালাকপা শঙলেন খাইদেমদা কাদা অমদি নুপী সমাজগা পুন্না য়ু লিগেলাইজেসন তৌবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :
মমাঙ চহী ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২০দা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম অমনা মণিপুরগী মফম খরদগী য়ু শুংবা, য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) অমদি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংনা চথরকপা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ইবুধৌ লোয়ালাকপা শঙলেন খাইদেমদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙরাং ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অদু ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), খাইদেম লোয়লাকপা ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়না পাঙথোকখিবনি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না মণিপুরদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌবা য়ারোই, লৈঙাক্কী ৱারেপ হন্দোকউ অমসুং য়ুদগী মণিপুরগী মীয়াম কল্লু হায়বা খোল্লাওসু লাউখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা খাইদেম লোয়ালাকপা ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বিনারানি হৱাইবমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙল্লিঙৈ মতমদগী ইমা মোমোন, চাওবী লৈরিঙৈদগী নিশাবন্দগী ঈহৌ চঙশিন্দুনা য়ুদগী খুন্নাই অসি কন্দুনা লাকখিবনি। য়ু থকপা মীনা ইমুংদুদা থেংনরিবা অৱাবা খঙলোই। মহাক্কী নুপী অমদি মচাশিংনা য়ুগী চৈথেং চপ চানা খঙই। য়ু থক্কী নত্তনা ইমাশিংনা মৈরা পায়বীগী শক্লোন লৌদুনা তমথিরবা মীহাৎ-মীপুন কয়া থেংনখি। হৌজিকসু ইমাশিংনা মণিপুর কন্না খোঙজং কয়া মাঙ থাদুনা চৎলিবনি। ইমাশিং অসুক ৱানা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসি করিসু লৈতনা খনবা ওইনা য়ু ফোংনা য়োনবা অমদি শুংবগী অয়াবা পীবা অসি য়ানিংদে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা ৱারেপ অসি হন্দোক্তবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়খি।

## কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইবোমচাগী য়ুম মৈনা তুম্না চাকখিবগী অৱাবদা শরুক য়ারদুনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :
কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা অশানবা য়ুমদা লৈবা য়ুম অমা খঙহৌদনা হৌরকপা মৈনা তুম্না চাকখিবদগী হৌজিক হৌজিক মণিপুর পিপলস ক্লব কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা সামোম ইবোমচা (৬৫)গী ইমুং-মনুংদা ঙসি লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা খুদক্কী তেংবাঙ ওইনা লুপা লিশিং ১০ মতেং পাংদুনা ইমুং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়না এল এম জি মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




এল এম জিনা লমদম অসিগী অৱা-অনা অমদি কা হেন্না খুদোংচাদ্রবশিংগী মফমদা তেংবাঙলকপগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি অয়ুক এল এম জিগী চীফ এদভাইজর ৱাংখেম শ্যামজাইনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা তেংবাঙ শেল অসি খুৎশিন্নখি। ঙসিগরী তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা গ্রুপ অসিগী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর কে কে ৱাহেংবম, সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবম, পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম, বিরলা সলাম, মংলেম ৱাইখোম, জোলিকুমার থোঙাম, সুরেন্দ্র নিঙোম্বম, কুঞ্জেশ্বর মংশাতাবম, নাওরেম লবঙ্গো মৈতৈ অমদি বোবো খুন্দ্রাকপমনচিংবা মরুওইবা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি।

ঙসিগী তেংবাঙ খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং থোকখিবা য়ুম মৈ চাকপগী থৌদোক অসি খ্বাইদগী নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা তারিবা ইমুং অসিগী অৱাবদা এল এম জিনা শরুক য়াজবগা লোয়ননা তেংবাঙ অসি এল এম জিগী ৮২ রকশুবা ওইনা পাংজবনি। মীওইবগী অৱাবা তারক্লবা মতমদা মীনুংশি উৎপা খক্তনা অৱাবা কোকহনবা ঙম্লোই। মরম অসিনা অৱাবদু কোকহন্নবগীদমক্তা মীনুংশিগা লোয়নবা মতেং পাংমিন্নসি। মীওই অমনা শুপ্নতগী লুপা ৫/১০ খক্তং পাংবা মতমদা অৱাবা তারিবা ইমুং অদুগী মফমদা অচৌবা মতেং ওইদুনা হিংনবগী লম্বী ওইগদৌরিবনি।

য়ুম মৈ তুম্না চাকখিবদগী অৱাবা তারবা ইমুং অসিগী মতাংদা গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থম্মোয় শোক্লা পাউদম্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, সামোম ইবোমচা কুইরবা মতমগী মমাঙদগী কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দগী অশানবা য়ুমদা লৈরক্তুনা মচানুপা অহুম ফংজখি। মচানুপা অহল অদুসু ব্রেন ট্যুমরনা নাবদগী লৈখিদ্রে। হৌজিক হৌজিক মচা অনীমক পাখং মচা ফারক্তুনা মখোয় অনীসু নোংম-নোংমগী অফং-অফংবা থবক শু-নোমদুনা হিংনবা লান্থেংনরিবা ইমুংনি। সামোম ইবোমচাসু ঈ-রিক্সো অমা থৌদুনা হিংনবগী লান মায়োক্ল রিবনি। মহাক্কী লোয়নবী য়াইমবীসু ষ্ট্রিট ভেন্দরদা মনা-মশিং য়োল্লম্মী। অদুবু কোভিদ-১৯ মতুংদগী মনা-মশিং য়োনখিদ্রে। মশাগী য়ুম্ফম মচেৎ অমফাওবা লৈখিদ্রবা ইমুং অসিগী হৌরকফমদি নম্বোল এ সীগী মনুং চনবা লৈমপোকপমদগীনি। অসুক য়াম্না অৱাবা মায়োক্লরিবা ইমুং অসিদা মণিপুর পিপলস ক্লব কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায় অমদি মীয়াম্না মীনুংশিগী মতৌ উৎপীরম্বা অসি উবদা অপেনবা পোকই। মখা তানা মীয়াম্নসু মীনুংশিগী মতৌ উৎপীদুনা ইমুং অসিগী অৱাবদা মতেং পাংবীয়ু। লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ মণিপুরনা লমদম অসিগী অৱাবা তারবা অমদি অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা অঙম-অঙম্বা শেনখায় পুখৎতুনা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাকখি। মীয়াম্নসু অসিগুম্বা অনা-অয়েক য়াওরকপা অমদি খুদোংথিবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা অৱাবা তারকপা মতমদা অঙম-অঙম্বা মতেং শোয়দনা পাংবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

### গোৱাগীদমক খোঙশানখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :
ৱেষ্ট জোন কলচরেল সেন্টর উদয়পুর অমদি দিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট ওফ গোৱাগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদবা নেসনল আর্ট এন্দ ক্রাফ্টস ফেয়র গোৱাগী তাঞ্জিমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা তপস্যা এ সেন্টর ফোর পর্ফোর্মিং আর্টকী আর্টিষ্ট ২০না শাবা টিম অমা গোৱাগীদমক খোঙশানখ্রে হায়রি।

আর্টিষ্ট ২০না শাবা তপস্যাগী টিম অদুদা পুঙ, ধোল, ধুলোপ, থাঙ-তানচিংবা পর্ফোর্মেন্সশিং উৎলুনবগী চৎখিবা খোঙচৎ অদু তপস্যা ইন্সটিট্যুট অসিগী কোওর্দিনেটর ৱাই সুন্দরনা লুচিংখি। লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবা এম সোভামনিনা লুচিংবা মীওই ১৫না শাবা টিম অমসু ন্যু দেল্লীগী রেদফোর্টতা পাঙথোক্কদবা ভারত পর্ব য়াওরুনবা দেল্লী খোঙশানখ্রে। হায়রিবা খোঙচৎশিং অসিদা তপস্যা এ সেন্টর ফোর পর্ফোর্মিং আর্টকী তোপ তোপ্পা অখন্নবা কলচরেল সোশিংসু উৎকনি হায়না মীদিয়া কোওর্দিনেটর য়েংখোম সুন্দরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০১।২০২৩ ইং, শগোলশেল, অয়ুক পুং ১০.২৯ ফাওবা ফাইরেলগী ৫ নি পাল্লি, মতুং ৬ নি পাল্লনি।

মেষ: পল্লম্বা থবক্তগী লন ফংবদা নুংঙাইবা, অফা-অপুন্নরম্বা কোকচবা, ইমুং মনুং ৱাখল তান্নবা নুমিৎনি। চরাঙনবা/ওইদবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: থৱায় হকচাং য়াওনা পাঙবা থবক্তা মায় পাক্কনি, মীয়াম পুনবা পাম্বা, শেল থুমগী লমদা কান্নজবা লৈ। অনম তানবদি শক-চু থোক্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: অনীংবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াবা, মীচঙ খোম্বা য়াবা নুমিৎনি। অকল অথৌগী থবক য়াওদবা/অনম তানবদি মাঙগদবা য়াদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: ঙাংবা-শকপা হৈবা, ফমথোল ফংবগুম মীনা ইকায় খুম্নবীবা, পাংঙমদবা থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: নীংহন্নদবা থবক্তা থেংলপ্পা মায় পাক্কনি। মহু চাওবনা তাথিবা, মীৱা লৌবনা অমদি অখঙ অহৈ শারুবনা থাজবা মাঙবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: নীংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদা কোক থাদবা য়ারগনি অমদি পল্লম্বা শেল থুম ফংনবা হোৎনবা য়াগনি। অঙম্বনদি তাথিগনি-লাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: শোক পনবা য়াবা থবক্তা য়াওরুগনু অমদি ফিংগনু। অঙম্বনা চানবীগনি, অফবা মীংচৎ ফংগনি, থবক্কী লমদা নুংঙাইবা পাউ তাজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপদি তানিংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: নচাক নরল অমদি লৌশিং তানশিনবা নত্তনা অতৈ থৌরমদা পংয়াও য়াওদবা ফগনি। অফা-অপুনগী লমদা য়াওরুনু, ৱাসু ঙাংলুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: অনম তানবা মাঙজগনি, মীৱা লৌবা পামদবা নংগনি, নথক থোংবনা নরল মৎপিখিনি- নোল্লুক্লা চৎলু। মীয়ামগী মীনুংশিদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: কোক শাগনি-অনম তানগনু। নচা-ননাইগা কায়নবা য়াবা লৈ-থৌনা ফুদোকপা মতাং চারোই। নীংবা থুংবা, কান্নবা খরদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: খুরৌ থাংবা, শাওনিংবা, হোয়া ফবনা নচাক নরল ময়েং তাবা লৈ। অরং-অরাক্কী লমদা, তুংগী পোরম শীনবগী লমদদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- তুংগী খল্লগা পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজবা, অনৌবা আশাদা কান্নগদবা উগনি। য়েৎনবা, মীতোপ্পা নরলদা য়েংথিবা, থবক পনবদি থেংনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ইমাখোলনা ৱারিবম মৈনো লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :
ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জৈ লূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবমগী পেট্রোন মেম্বর, এদভাইজর অমদি লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বা অইবা ওজা ৱারিবম মৈনোনা ঙসি জন্যুৱারী ২৫গী অঙনবা অয়ুক চাউরাক্লা পুং ৩ লোম তাবা মতমদা তাইবংপান থাদোকখিবা অসিদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জৈ লূপ (ইমাখোল)গী সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওজা ৱারিবম মৈনোনা লৈখিদবা অসিদা লূপ অসিগী লূপলোয়শিংগী ওইবা অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমা শগোলশেম বিলাশিনিগী য়ুমদা পাঙথোকখিবনি। অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদু ইমাখোলগী ফাউন্দর মেম্বর অইবী শগোলশেম বিলাশিনিনা মীফম মপু ওইদুনা পাঙথোকখি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী পাঙথোকখিবা ঙসিগী মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা অইবা ওজা ৱারিবম মৈনোনা হিংলিঙৈ মতমদা লূপ অসিগীদমক অমদি খুন্নাই অসিগীদমক অইবা অমা ওইনা লৌবীরম্বা থৌদাংশিং অমদি মহাক্লা কথোকখিবা কয়াশিং অদুগী মতাংদা নৌহৌননা নীংশিংদুনা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থম্নখি। অইবা ওজা ৱারিবম মৈনোনা লৈখিদবা অসি ইমাখোলগী ওইনদি অচৌবা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমা ওইবদা নত্তনা মতম চুপ্পগী ওইনা অহোবা অমা লৈহৌরগনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী খোরিরোলগী লমদসু চাউনা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা পোথাবা ওইরসনু। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোলদুনা মখা তারি।

## পোপ্পী পাম্বী য়ানফমদগী মাঙখিবা ভি দি এফ প্রেমানন্দগী ইমুংদা জোগেসচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :
পোপ্পী পাম্বী য়ানফমদগী মাঙখিবা ভি দি এফ, এন প্রেমানন্দগী ইমুং-মনুংদা ঙসি এস পি থৌবাল জোগেসচন্দ্র হাওবিজমগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মায়কৈদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে।

ভি দি এফ, এন প্রেমানন্দ (ভি দি এফ নম্বর ৭০৬) লিলোং চিংখামদা পোষ্টিং তাবনি। মহাক থা অসিগী ২১গী অহিং মমৈ চাউরাক্লা পুং ২/৩ তাবা অদুদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা উরানতোপ হায়না খঙনবা চীংমায় অমদা পোপ্পী পাম্বী য়ান্নবগী অহিং য়ারেক্তুনা লৈরিঙৈদা মফম অসিমক্তদগী মফম খঙদনা মাঙখিবনি। ঙসি নুংথিল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী থৌ পুবশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর থৌবালগী ওফিসরশিংগা পুন্না ভি দি এফ, এন প্রেমানন্দগী থৌবাল ওক্রম মনিং লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা হকথেংননা চৎলগা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু ইমুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখিবনি।



থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পাংখিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদুদি চেঙ, থুম, থাউ, হৱাইনচিংবা পোৎলমশিংনি। তেংবাঙ পীবা অদুগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম দি ইদ্রিস শাহনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি পাংলিবা অঙম্বা মতেং অসি এস পি থৌবাল জোগেসচন্দ্র হাওবিজমগী মীৎয়েং মখাদা পাংবনি। মতেং পাংলিবা পোৎলমশিং অসি লৈবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভি দি এফ পর্সনেলশিংনা অৱা-অনা তারকপদা পীনবা হায়দুনা শেনফম খরা খরা খায়জিন্নরগা থম্বা শেনফমশিংদগী খরা কায়থোক্তুনা পোৎলমশিং অসি লৈরগা মতেং পাংবনি। মখা তানসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থিবা খঙদনা মাঙখ্রবা ভি দি এফ, এন প্রেমানন্দগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মথৌ তারকপা খূদিংমক্তা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।